

# সনালৈবাক স্পোর্টস



*মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা মখা তানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙন্নিবা সর্ভিয়াগী শান্নরোই নোভাক জোকোভিস*

*ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিস ইন্দিভিজুয়েল চেম্পিয়ন্সিপকী মেন দ্রো চঙখ্রবী ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই মাধুরিকা পাটকর*



## এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা ইন্দিয়াগী গুমাথিনা নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড লৌখ্রে

*দোহা, এপ্রিল ২২ঃ*

কাটারনা য়ুম্ব ওইরগা ঙরাং দগী পাঙথোকপা হৌখিবা এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি নীনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট গোমাথি মারিমুথুনা মিটর ৮০০গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



*মিটর ৮০০ গী লমজেলদা গোল্ড লৌখিবা ইন্দিয়াগী গোমাথি মারিমুথু*

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৮০০ গী লমজেল অদুদা ইন্দিয়াগী এঠলিট গোমাথি মারিমুথুনা ২ঃ০২.৭০ সেকেন্দদা চেন্দুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী জেবলিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী এঠলিট সিভপাল সিংহনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৮৬.২৩ লংদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ঙরাং অহানবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সিলভর অনী ফংখি। এঠলিটশিং অদুদি জেবলিন থ্রোৱর অন্নু রানি অমদি মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপল চেজ এঠলিট অভিনাস সেবলনি।

দোহাগী খালিফা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা নুপীগী জেবলিন থ্রোদা মশাগী চহী ২৬ শুরবী ইন্দিয়াগী এঠলিট অন্নু রানিনা ৬০.২২ মিটর য়ৌদুনা সিলভর মেডল লৌখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী এঠলিট লিয়ু হুইহুইনা ৬৫.৮৩ মিটর লংলগা লৌখি। পনবা আই অন্নু রানিনা কুমজা ২০১৭ তা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ইদিসনদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট সরমিলা কুমারী মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৫৪.৪৮ লংখ্রবসু ৭শুবা পোজিসন তাহৌখি।

এসিয়ান এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপল চেজগী ফাইনেল রাউন্দদা ইন্দিয়াগী এঠলিট অভিনাস সেবলনা ৮ঃ৩০.১৯ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিভলর মেডল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০০০ গী ষ্টিপল চেজদা ইন্দিয়াগী এঠলিট পারুল চৌধারিনা ১৫ঃ৫৮.৩৫ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা বহারেনগী এঠলিট অনী মুটিলে ৱিনফ্রেদ য়াভীনা ১৫ঃ২৮.৮৭ সেকেন্দদা চেন্দুনা ফংলগা সিলভর মেডল অদুনা বোন্টু রেবিটুনা ১৫ঃ২৯.৬০ সেকেন্দদা লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা বহারেনগী সালৱা নাসেরনা ৫১.৩৪ সেকেন্দদা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা কজাখষ্টানগী ইলিনা মিখিনানা ৫৩.১৯ সেকেন্দদা ফংখি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী ভেটরান এঠলিট পুভাম্মানা ৫৩.২১ সেকেন্দদা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী মিটর ১০০০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী গাভিট মুরালিনা ২৮ঃ৩৮.৩৪ দা চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী গোল অমদি সিলভর মেডল অদু বহারেনগী এঠলিট দাৱিট ফিকাদু (২৮ঃ২৬.৩০ সেকেন্দ) অমদি হাসন চানী (২৮ঃ৩১.৩০ সেকেন্দ) দা লৌবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এঠলিট মুহমদ অনাস অমদি অরোকিয়া রজিভ ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্কালিফাই ওইবা ঙমখি। নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা মশাগী চহী ২৩ শুরবী ইন্দিয়াগী দুতি চান্দনা ১১.২৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নুপাগী ত্রিপল জম্পর চিত্রাভেলসু মিনট ১৫.৬৬ চোংদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## এফ সি লম্লাই ট্রোফি ২০১৯ দা সি ঐচ ৱাই য়ু সি, এস কে দি সি, এফ সি তখেল অমদি এফ সি খুন্দ্রাকপম মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ*

লম্লাই ষ্টুদেন্টস আইদেল ক্লবনা স্পোন্সর তৌরগা এফ সি লম্লাইনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২১ দগী টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা এফ সি লম্লাই ট্রোফি, ওল মণিপুর ভিলেজৱাইজ মেন্স ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চাল্লৌ, এস কে দি সি সঞ্জেনবম, এফ সি তখেল অমদি এফ সি খূন্দ্রাকপম মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি চাল্লৌনা হি য়াই এফ সি ৱাঙ্গোইবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা সি ঐস ৱাই য়ু সি চাল্লৌগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এম মনিস্নানা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৫ অমদি অনীশুবা মিনট ২৩ দা পাঞ্জল অদু চনখি। মায়থিরবা হি য়াই এফ সি ৱাঙ্গোইগী অমত্তা ঙাইরবাগোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ পি অভিনাসনা মিনট ২ দা চনখি।

মেটচ অসিদা সি ঐচ ৱাই য়ু সি গী এম মনিস্না অমদি এস সোনিয়াসতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দদা এস কে দি সি সঞ্জেনবমনা টি জি ৱাই সি পাঙ্গৈবু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এস কে দি সি সঞ্জেনবমগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩ অমদি ৯ দা জর্সি নম্বর ১১ এম তাইবংঙানবনা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অমদুনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩১ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ টি সুরনজিৎনা চনখি। মায়থিরবা পি জি ৱাই সি পাঙ্গৈগী গোলশিং অদুনা রাজাদ গুরুংনা মিনট ১২ অমদি সিন্ধাদ রানানা মিনট ৩৪ দা চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এফ সি তখেলনা কে এস দল্লিয়ু সি খুরাইবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা এফ সি তখেলগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ৮ দা জর্সি নম্বর ৬ জিটেন্দ্র অমদি জর্সি নম্বর ৮ হেরোজিৎনা মিনট ১২ গোল অমমম অদুগা জর্সি ১০ সন্তোসনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৯ দা চনখি।

মায়থিরবা কে এস দল্লিয়ু সি খুরাইগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৯ দল্লিয়ু সৌরানা মিনট ২৪ দা চনখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দদা এফ সি খুন্দ্রাকপমনা সেক্তা (সি)বু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী হৌরকপদা মিনট ৯ চৎপদা এফ সি খুন্দ্রাকপমগী জর্সি নম্বর ৬ এল জেকনা সেক্তাগী গোলকিপরবু তুংওইনরম্লগা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোইরমদাই ৩৯ দা এফ সি খুন্দ্রাকপমগী জর্সি নম্বর ৮ এ বিজেননা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। সেক্তা (সি)গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ কে রেনোল্ডনা হাল্ফ অসিগী অহাপ্পা মিনট ২ দা চন্দুনা ১-২ শোথদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৫০ চৎপদা এফ সি খুন্দ্রাকপমগী জর্সি নম্বর ৭ বিশোকুমারনা টিমগী অহুমশুবা গোল অদু চন্দুনা ৩-১ দা মাঙজিল থাখি। টিমগী মরিশুবা গোল অদু মিনট ৩ কান্নরগা মিনট ৫৩ দা জর্সি নম্বর ১১ টি রোমিওনা চন্দুনা মেটচ অসি ৪-১ দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা খুন্দ্রাকপমগী এ বিজেন, এল জেক্সন অমদি সেক্তাগী এন জোন্স, বিজেন শর্ম্মদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিদা ফাওল শান্নরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।


### ক্রোসৱার্দ ১৩৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | L | E | A | ■ | A | R | F | S | ■ | A | N | N | E | S |
| L | I | D | S | ■ | N | O | A | H | ■ | T | R | O | L | L |
| U | S | E | S | ■ | D | E | L | E | C | T | A | B | L | E |
| M | A | N | I | L | A | ■ | S | A | L | E | ■ | L | E | E |
| ■ | ■ | ■ | G | E | N | R | E | ■ | I | N | D | E | N | T |
| E | M | A | N | A | T | E | ■ | U | N | D | O | ■ | ■ | ■ |
| A | I | D | ■ | D | E | P | A | R | T | ■ | O | P | E | N |
| S | L | E | D | ■ | ■ | E | R | A | ■ | ■ | M | O | V | E |
| E | L | S | E | ■ | C | A | T | N | I | P | ■ | L | E | O |
| ■ | ■ | ■ | C | A | R | L | ■ | U | N | I | C | O | R | N |
| P | A | R | O | L | E | ■ | A | S | T | E | R | ■ | ■ | ■ |
| A | T | A | ■ | B | E | A | M | ■ | E | R | A | S | E | R |
| C | O | N | C | E | P | T | I | O | N | ■ | T | I | L | E |
| E | N | T | E | R | ■ | O | N | U | S | ■ | E | L | L | E |
| R | E | S | E | T | ■ | M | O | R | E | ■ | R | O | A | D |


ALL MANIPUR TRAINED

**MEDICINAL AND AROMATIC PLANTS PROMOTERS CONSORTIUM (AMAPCON)**

CONDOLENCE MESSAGE



An emergency executive meeting of AMAPCON condoles untimely demise of Wangkhem Mangi Singh S/o (L) W. Yaima Singh of Laipham Khunou, Imphal East who was a founder member and executive member of All Manipur Trained Medicinal and Aromatic Plants Promoters Consortium (AMAPCON). His sudden demise is a great lost and one of the most painful events in AMAPCON's family. May his departed soul be peace in heaven.

With deepest sympathy.

AMAPCON's family and friends soul

Yours Sincerely,
(Dr. Rajkumar Ronendro)
Secretary General

SL/BILL (B)/23


## অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট পি আর এন সি পোইরৌ মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ*

টুলিহল য়ুনাইটেদ ফুটবোল ক্লব (টি য়ু এফ সি) না শীন্দুনা থা অসিগী ১৬ তগী টি য়ু এফ সি গ্রাউন্দদা টিম ২০ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা টি য়ু এফ সি ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দদা পি আর এন সি পোইরৌ মায় পাকখ্রে। অহানবা গ্রাউন্দদা অংথা য়ুনাইটেদ পপজি অমদি টি ৱাই পি ও টোপ গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা গ্রাউন্দদা পি আর এন সি পোইরৌনা টি য়ু এফ সি (এ) টুলিহলবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা টি য়ু এফ সি (এ) না গোল হান্না চল্লগা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু লেমহৌরিবা মিনটশিংদা পি আর এন সি পোইরৌনা শোথরিবা গোলশিং অদু হন্দোক্তুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচকী হৌরকপা মিনট ৮ চৎপদা টি য়ু এফ সি (এ) গী জর্সি নম্বর ১৭ টাজুদ্দিননা একাউন্ট হাংদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা পি আর এন সি পোইরৌনা টি য়ু এফ সি (এ) বু অতেনবা মিনটতা চপ চানা শিংনরক্তুনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা হোৎনরকখি।

মদুগী মথে ফংদুনা মেটচকী মিনট ১৩ চৎপদা পি আর এন সি গী জর্সি নম্বর ১১ দেবিদ কৈশিংনা গোল হন্দোক্লগা ১-১ দা লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওশিল্লকখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট লোইরমদাই ২২ দা পোইরৌগী জর্সি নম্বর ৯ জুলিয়াননা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা পোইরৌগী অতোপ্পা গোল অদু জুলিয়াননা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মিনট ৪৮ তা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা অংথা পপজি অমদি টি ৱাই পি টোপ অকনবা লন্বা তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা এন এম এল এস সি অমদি অংথা এফ এফ সি গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে। এন এম এল এস সি গী গোলশিং অদু মুস্তাফা অমদি সাহিদুরনা চনখি। অংথাগী গোলশিং অদুনা কিষ্ণন অমদি সুরজনজিৎনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এল এস ৱাই সি লৈশিমলোক অমদি দি এম দোট গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

## ইন্দিয়াগী কাভিন্দরনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কজাখষ্টানগী য়েরালিয়েভপু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*বেঙ্কোক, এপ্রিল ২২ঃ*

থাইলেন্দনা য়ুম্ব ওইদুনা চথরিবা এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর কাভিন্দর বিষ্টনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কজাখষ্টানগী কাইরাট য়েরালিয়েভপু কেজি ৫৬ কী ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৫৬ কী ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অদুদা ইন্দিয়াগী কাভিন্দর বিষ্ট অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কজাখষ্টানগী কাইরাট য়েরালিয়েভকা লন্বা তৌনবদা য়াম্না নক্লবা স্কোরদা মায় পাক্তুনা কেটেগোরি অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা এসিয়ান মেডল অদু ফংলগনি।

এসিয়ান বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিট পাঙ্গালনা কেজি ৫২গী ঙসি থিন্নখিবা ক্কার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন উজবেকিষ্টানগী হাসনবোই দুসমাটোভপু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর কাভিন্দর বিষ্ট অমদি অমিট পাঙ্গালনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অনীমকপু নোংমদা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবদা লৈবাক অসিগী চীফ হায় পার্ফোমেন্সকী দাইরেক্টর সান্টিয়াগো নিএভানা লৈবাক অসিনা পুৱারী ওইবা খরদি শেন্বা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখি।

দাইরেক্টর অসিনা অমিট পাঙ্গালনা ঙসি উৎখিবা ষ্টেমিনা অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি। নীংশিংবা য়াবদি মমাঙগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ক্কার্টর ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী হাসনবোইনা ইন্দিয়াগী অমিট পাঙ্গালবু মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ সি এ কুট্টাপ্পানসু ঙসি ইন্দিয়াগী বোক্সর অনী অমিট পাঙ্গাল অমদি কাভিন্দর বিষ্টনা ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

নুপীগী কেজি ৫৭ তা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়ানা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর জো সোন হৱাবু য়াম্না নক্লবা স্কোরদা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু কাঙলূপ অসিদা সেমি ফাইনেল চঙদুনা মেডল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী কেজি ৪৯ দা শরুক য়ারিবা নেসনেল চেম্পিয়ন দিপক সিংহ মহাক্কা থিন্নগদবা লন্বা অফঘানিষ্টানগী রমিস রহমনি শোকপনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী দিপক মথংগী রাউন্দ চঙখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সর লোভলিনা বোরগোহেননা কেজি ৬৯গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্কার্টর ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনিজ তাইপৈগী বোক্সর চেন নিয়েন চিনগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

## সাক্সি মালিক অমদি বজরং পুনিয়া এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী টিম লুচিংলগনি

*জিয়ান (চাইনা), এপ্রিল ২২ঃ*

হয়েংদগী চাইনানা য়ুম্ব ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সাক্সি মালিক অমদি বজরং পুনিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপী অমসুং নুপাগী টিম লুচিংলগনি।





*ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা রেষ্টলর সাক্সি মালিক (ওই) অমদি বজরং পুনিয়া*

রিও ওলিম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর সাক্সিং মালিকনা কেজি ৬৫ দা শান্নদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী রেষ্টলর পুজা দান্দানা নুপীগী কেজি ৫৯গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক হন্দক্কী ইদিসন অসিদা কেজি ৫৭ তা শান্নগনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর ভিনেস ফোগটসু মেগা ইভেন্ট অসিদা মেডল শোয়দনা পুরক্কনি হায়না পান্নরি।

নুপাগী কেজি ৬৫ গী কেটেগোরিদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর বজরং পুনিয়ানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৭৪ গী কেটেগোরিদা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইরিবা লৈবাক অসিগী রেষ্টলর অমিট ধানকরনা অনীশুবা ওলিম্পিক মেডল ফংখ্রবা সুসিল কুমারগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরগনি।

নীংশিংবা য়াই অমিট ধানকরনা কুমজা ২০১৩ দা ন্যু দিল্লিনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসিয়ান রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদুদি- নুপাগী ফ্রিষ্টাইলদা রভি কুমার (কেজি ৫৭), রাহুল অৱারে ( কেজি ৬১), বজরং পুনিয়া (কেজি ৬৫), রাজনিস (কেজি ৭০), অমিট ধানকর (কজি ৭৪), প্রভিন রানা (কেজি ৭৯), দিপক পুনিয়া (কেজি ৮৬), ভিক্কী (কেজি ৯২), সত্যভ্রাট কাদিয়ান (কেজি ৯৭) অমদি সুমিত (কেজি ১২৫) নি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা শরুক য়াগদবা রেষ্টলরশিং অদুদি-সিমা পুনিয়া (কেজি ৫০), ভিনেস ফোগট (কেজি ৫৩), ললিতা সেহরৱাট (কেজি ৫৫), পুজা ধান্দা (কেজি ৫৭), মঞ্জু (কেজি ৫৯), সাক্সি মালিক (কেজি ৬২), নভজোট কোর (কেজি ৬৫), দিব্য কাক্রান (কেজি ৬৮), কিরন (কেজি ৭২) অমদি পুজা (কেজি ৭৬) নি।

গ্রেকো রোমান ষ্টাইলদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদুদি- মঞ্জিট (কেজি ৫৫), জ্ঞানেন্দ্র (কেজি ৬০), ভিক্রম কুমার (কেজি ৬৩), রাভিন্দর (কেজি ৬৭), যোগেস (কেজি ৭২), গুরপ্রিত সিংহ (কেজি ৭৭), হরপ্রিত সিংহ (কেজি ৮২), সুনিল কুমার (কেজি ৮৭), হরদিপ সিংহ (কেজি ৯৭) অমদি প্রেম কুমার (কেজি ১৩০) নি।